# চীংয়াদা ষন শেল্লস্বদগী, শক্লাইরবা মতম ঈশৈ শৈশকপা, ফিল্মগী প্লেবেক সিঙ্গর অমদি এক্টর ওইনা শীংথানরিবা ‘‘নব ভোলকেনো’’

*- নানি*



নব ভোলকেনো, মিং অসিদং তাবদা মহাক্কী শৈশক কয়া নাকোংদা নিলহনবগা লোয়ননা মহাক্কী ঈশৈগী নুংঙাইবা মহাও অমা থম্মোয়দা খুদক্তা পীবা ঙম্মী। অশেংবা মিংদি- শামুরাইলাৎপম নবচন্দ্র শর্ম্মা কৌই। হৌজিক্কা থাংমৈবন্দ লৌরুং পুরেল লৈকায়, ইম্ফালদা লৈবনি। অদুগা খোইরি লিশাং তাখিবা পোকফমনা অৱাং সেকমাইদনি। পীক্লিঙৈগী পুন্সিগী খোঙচৎ কয়া অমদি অৱাং সেকমাইগা শাগোন্নদুনা লাকখিবনি। শৈশকপা অসিগী ইমা পাবুং, ইমুং মনুং হুপ্না অৱাং সেকমাইদা হোটেল অমা ফমদুনা অমদি অতৈ লল্লোন ইতিক তৌদুনা লৈরকখি। মফম অদুদা অহানবা স্কুলিং তৌরকখি। মহারাবিদগী ওজা ইবুংঙো বিরামনি কৌবা অমনা সাইকল তোংদুনা লাক্লগা নিংথমথাগী ঈংখ্রবা মতমদুদা স্কুলগী লম্পাক্তা বোরা থাদুনা নুংশা য়াইরগা লাইরিক তম্বীরকখি। মদুদা খঙখিবশিং অদুনা ঙসিদি শৈশকপা অসিগী লেঙদ্রবা লন ওইদুনা ঙসিগী নব ভোলকেনো হায়বসি শেল্লকপদা মচাক ওইনরি। ওজা অদুবুসু শৈশকপা অসিনা কৈদৌনুংদা কাউথোকপা ঙমজদ্রি। পীক্লিঙৈদগী হৌনা চীংয়াদা, তুরেলগী ঈচেলদা চেন চোংদুনা শান্নজবা, ষন ময়াম অমসু য়ুমগী ওইনা লোইরম্মী, ষনশিং অদু চীংয়াদা শেনবদা অচৌবা থবক অমা ওইখি। অশংবা মতমদা চীংদগী শিং য়ান্দুনা পুরকখি। ষন শেন্না শেন্না মতমদুগী গ্রামোফোনদা খোংবা বেঙ্গালি, হিন্দী ঈশৈশিং মরোল মরি ইচুম চুমদনা ঈশৈ করম্না শক্কনি হায়বা ফাওবা খঙজদনা লাও লাওদুনা য়াম্না শল্লকই। ষনশিং, উচেক-ৱায়াশিং, চীংয়াগী অঙৈংবা নুংশিৎকা লোইনা ইখঙ খঙনবদৌনা হৌরকখি। অদুনসু ওইবা তাই চীংগী নুংশি নুংশিবা ঈশৈ ময়াম অমা শল্লক্লিবা, *‘‘চীংমুক লেমহন্নিংই নুংশিবী’’ থাপ্লা চীংগী নাপোম অমদা, লৈহৌরে মাদি লমদম তাম্না’’, উখুলদা ঐগী থৱায় লৈহৌরে’’ ‘‘তমগী ইবুং উদবা কুইরেদা, ইবুংদি ঐবু কাউরমাল্লে, চীংগী ইচল ঐনা করম্না কাউরসিগে, কাউরসিগে’’* ঈশৈশিং অসি থৱায় লোইনা পানখি। অহিংবা অমগুম তারিবা ওদিয়েন্স মনাক্তা, থম্মোয়দা লেং লেং চৎলকখি। কয়াদা মতিক ময়াই চেনখ্রবা ঈশৈশিংনো? ঈশৈশিংসি নব ভোলকেনো ওজা অসিমক্লা শল্লমদ্রবদি অসি য়ৌনা হিংলমগদরা হংবা য়াবা ৱাহং ওইরিবনি।

সেকমাইদগী থাংমৈবন্দদা হোংলক্লবা মতমদা, এদল্ট হায় স্কুলদা তম্লকখি। মতমদুদা এমসুনা শিনবা ঈশৈগী চাংদম্নবা হেক হেক পাঙথোক্লম্মী, মদুদা শরুক য়ারকখি। মতমদুদা শরুক য়াখিবা হৌজিক্তি মীয়াম্না য়াম্না মশক মমিং নাইনা ফাওরিবা কয়া অমা য়াওরম্মী। অসুম্না ঈশৈগী লম্বী অসিদা তপ্না তপ্না চঙশিল্লকপনা, রূপ রাগগী ম্যুজিক ইন্সটিট্যুটতা মিং চন্দুনা ফোর্মেল ম্যুজিক লেসন কয়া তম্বা হৌরকখি। মতমদুগী ওজাশিং, অসেম বিমলা, অহৈবম বুধচন্দ্র ওজাশিংনা ঙসিসু কাউজদ্রি। মখোয়গী ঈশৈশিং তোইনা শকপা হৌরকখি। কোলেজ কারকপদগীদি ওজা অসিগী পুন্সিগী মশক অমা হোংবা হৌরকখি। মহৈরোয়শিংগী ওইবা ঈহৌ অমদা য়াওদুনা ফারগা জেলদা লৈবা মতম অদুদা মীয়ামগী ওইবা থবক খরদি তৌসি হায়দুনা খন্নরকপদগী মহৈ ওইনা **‘‘পোলো ক্লব’’** হায়বা অমা লিংখৎলকখি। ক্লব অসিনা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরদা ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকপা হৌরকখি। লম লম কয়াদা চৎতুনা ইকো সিষ্টেম ফগৎনবা থবক কয়া পায়খৎলকখি। শিল্লোংদা মমিং লৈরবা ৱেষ্টর্ন ম্যুজিকতা বেজ তৌবা বেন্দ কৌথোক্তুনা ঈশৈগী থৌরম শিনবা হৌরকখি। ইহান হানবা ওইনা মণিপুরদা পাঙথোকখিবা **‘‘পহারী নাইট’’** হায়বা মপাল কাংজৈবুংদা শিনখিবা থৌরম অদুদা ঈশৈ শকপগী তাঞ্জা ফংলকখি, মদুদা শকখি *‘‘কপ্লুরে মিৎসে কুৎপমখৈ, নোক্লুরে ইশাসে থগোকপমখৈ, খল্লি হৌজিক কোক চিকপমখৈ’’* হায়বা অরাম্বম শরতনা ইবা নোংমাইথেম পহারীনা সুর পানখিবা ঈশৈ। ঈশৈ অদুনা নবচন্দ্র শর্ম্মবু মীয়ামদা অনৌবা ঈশৈগী মহাও অমা পীবা হৌরকখি। মীয়াম্না শক খঙবা হৌরকখি। সিগী মতুং ইকান কান্নদনা **‘‘ঙক-ঈ-কো নঙসে’’** হায়বা মণিপুরী ফিল্ম অমা পূনম পিকচর বেন্নরগী মখাদা ৱাংখেম বসন্তকুমারনা প্রদ্যুসর ওইরগা, এস এন চান্দনা দিরেক্সন পীদুনা, নোংমাইথেম পহারীনা ম্যুজিক দিরেক্টর ওইবা অদুগা বি জয়েন্তকুমার শর্ম্মনা শৈরাংবা ঈশৈদা প্লেবেক সিঙ্গর অমা ওইন ইহান হান্না একাউন্ট হাংবা হৌরকখি *‘‘শককৎলুদা ঈশৈ, শাগৎলুদা জগোই...’’* ঈশৈ অসিসু মণিপুরী ফিল্ম খক্কী ৱা নত্তনা ঈশৈগী ইনৌ নৌবা মশক অমা শাগৎলকখিবনি, মদুগী চপ চাবা মহাও



অদু নবচন্দ্র শর্ম্মনা মীয়ামদা পীখিবনি। মসিনসু মহাকপু মীয়াম্না পাম্নরবা শৈশকপা অমা ওইরকপদা অচৌবা মতেং পংলকখি। অসুম্না ফজরবা কাওঙমদ্রবা ঈশৈ কয়া পুথোরকখি *‘‘শিংজংসিনা খোঙদা য়ানশিল্লে’’*। নোংম-নোংমগী নবচন্দ্র শর্ম্মগী ঈশৈগী খোঙচৎ অসি শাংদোরকপগা লোয়ননা মাঙজিন থারকখি।

ওজা অসিগী খোঙচৎতা হেন্না অমুক অনৌবা ঈথক অমা পীখিবদি, অর্য়ান ঠিএটরদা এক্টর অমা ওইনা য়াওদুনা হিংনবা হিংবা হায়বা দ্রামা অদুদা অঙকপা ফংনা ফজরবা *‘‘লায়রবা অৱাবগী মশক্লি’’* হায়বা ঈশৈ শল্লক্তুনা নৌনা শাফোঙলকখিবা অসিনি। ঈশৈসিমসু ওজা অসিগীদি লেঙদ্রবা লন ওইনা লৈহৌরে। কুইর কুইরগা হেন্নদুম ঈশৈসিগী ময়াই চেনবা হেল্লক্লি। অসুম্না মণিপুরী ফিল্ম কয়াদসু প্লেবেক সিঙ্গর ওইনা ঈশৈ কয়া খুদোল তৌরকখ্রে। **মৈচাক** ফিল্মগী *‘‘সাবি শানৌ কয়াগী অরোনবা ৱারীশিং, লিগে তমগে তারো ঙসিদি’’* (এস টিজেন্দ্রগা পুন্না শকমিন্নখিবা), **ওলাংথাগী ৱাংমদসু** ফিল্মগী *‘‘তাজহৌনিহে’’ (অপূনবা ঈশৈ), ‘‘লাক্লো চৎসি নোংমতসু কোইমিন্নসি’’ (অরাম্বম যমুনাগা পুন্না শকমিন্নখিবা)*, নচিংবা কয়া। দিজিটেল ফিল্মদসু ম্যুজিক দিরেক্টর ওইনা থোরকখ্রে লোয়ননা ফিল্ম কয়াগী প্লেবেক সিঙ্গর ওইরকখি। মসিদা নত্তনা সালিনি মেম নচিংবা ফিল্ম কয়া অমদসু এক্টর অমা ওইনা শরুক য়ারকখ্রে। আর্টিষ্ট অমা ওইনা পোল্লক্লবা শ্রী শামুরাইলাৎপম নবচন্দ্র শর্ম্ম ঙসিদি মীয়াম্না নব ভোলকেনো হায়না খঙনরি। মহাক্কী মমিং লৈরবা ঈশৈ কয়া অমনা মহাকপু ঙসিসু য়োক্তুনা থল্লি। *‘‘ইন্দিরা নঙদি মীগী ওইখরে’’, ‘‘মতম কুইরবগী তুংদা, ঐগী থায়নাগী কায়নখ্রবীদো, নোংমা খঙহৌদনা থেংনরুই, সনা সোরোক্তা থেংনরুই’’, ‘‘নোংমা নঙনা ঐগী নাক্তা ফমখি’’, ‘‘চমেল্লৈ চমেল্লৈ ঐগী চমেল্লৈ, চমেল্লৈগী মমাঙদা পুন্নমক কচ্চা, সেকমাই সেকমাই সেকমাই চমেল্লৈ’’* (ঈশৈসিমদি শৈশকপা মশাগী পোফম ওইবনিনা সেকমাইগী ঈশৈ অমত্তা শক্কে হায়না খল্লকপদুগী তুংইন্না থৱায় য়াওনা শকখিবনি, ঈশৈসি শকপদা শৈফম অমত্তদা হুমাং তাখিদবা নুমীৎ য়াওখিদে, য়াম্না থৱায় য়াওনা শকচখি)। পঞ্জরিবা ঈশৈশিং অসিদি খরখক্কী ৱানি, য়ামখ্রবা মিংচৎ উরোং খিল্লবা ঈশৈ কয়া অমদি শৈশকপা অসিগী, লোয়নমক পনবগী খুদোংচাবা লৈতবনা সুনা পঞ্জদ্রে। মরুওইনা থম্নিংলিবদি, মখল অমগী ঈশৈ অমা হেক্তা, কনাগুম্বা ম্যুজিক কম্পোজর অমনা শেল্লবসু ওজা অসিনা হেক শকপদা ঈশৈবু মহাক্কী ওইনা ওন্থোকপা ঙম্মী। মহাক্কী খোঞ্জেল, মহাক্কী শৈশকলোমদা হেক পুশিনখিবদা ঈশৈদুগী ওইবা তোপ তোপ্পা মশক অমা মথন্তা চোংথোরকই। মসিনি আর্টিষ্ট অসিগী থোইদোকপা পীথোরকপগী মতিক।

ওজাসিনা শৈফম অমদা ঈশৈ শকপা থোরকপসি অতৈগা মান্নদবা অমা উবা ফংই। ওজাগী মৃদসি করম্না লৌখিবনো খঙদে, য়েংলিবা তারিবা খূদিংমকশিংনা চপ মান্নবা ইমাজিনরি লাইন অমমম চিংনরকপদু অমত্তা ওইনা শমজিন্নরগা অনৌবা ঈশৈগী তাইবং অমদু হোইদুনা চৎমিন্নবা ঙম্মী। অদুনা তারিবশিংনা ওজা অসিগী হকচংগী মুভমেন্ট খূদিংমক্তা য়াওশিল্লকই। অদুনা ঈশৈদু নমদুনা অদুম নুংঙাইবগী ইথিল অসি পীবা হৌই। মসি অমনা পাক হেক ঙম্বা ওইদে। ঈশৈবুদি অদুম শকখিবা, ঈশৈদুগী থৱায়দুদি হাপখিবরা হাপখিদবরা হায়বদুদি খঙদবা ওইনা তৌই। অদুবু নব ভোলকেনো ষ্টেজদা থোরক্তুনা ঈশৈ শকপা মতমদদি ষ্টেজ অসি থক থক নীক্তুনা ওন্থোকপা নুংঙাইখ্রবা মীকুপ কয়া কয়া শাগৎলমখি। মসিমক আর্টিষ্ট অসিগী থোইদোকপা অহেনবা মতিক ময়াই অমনি। মসিগী ফোঙদোক্তবা করি অরোনবা অমা লৈবগে হায়বা ৱাহং অমগী পাউখুমদা অসুম্না থম্বীরকই, *‘‘ঐগী ঈশৈ হায়সিদি ঐগী ওইগদবনি, ঈশৈ অদুগী থৱায় ঐনা হাপচগদবনি, ওদিয়েন্সনা হাপ্পা য়ারোই, ওদিয়েন্সতি ঐনা চিংশিনগদবনি, ঈশৈ অদুনা পীনিংলিবা ৱাফম, হায়নিংলিবা, ফোঙদোক্লিংলিবা অদুনা ভাব ওইরগা, ঈশৈদুগী রস অদু চিংশিল্লগা, ৱাহৈনা পীরিবা ৱাহন্থোক অদুগা পুন্না চৎমিন্নবনি, মদুদা ঐগী খনাও, ঐগী সুর, ঐগী হকচাং লোইনা য়াওশিনখিবনি, মসিদা কৈসু থোইদোকপা অরোনবা অমত্তা লৈতে’’* হায়না পাউখুম্বীরকখি।

তাঙলবা লমদম অসিগী শৈশকপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা, চাউরবা মহাক্কী চেপ্টর অমা মণিপুরী মতম ঈশৈগী পুৱারীদা য়াওরিবা আর্টিষ্ট অসি ঙসিসু অনৌ অনৌবা ঈশৈ কয়া পুথোক্লবগী লেপ্পা লৈতবা ৱাখল ময়েং তাদ্রি। অনৌবা খুদোল কয়া তম্লকখিগনি হায়বগী থাজবা থল্লি। মতম পুম্নমক্তা তাইবং শেম্বীবা মপুনসু থৌজানবীবা ওইসনু।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ৩১।১০।২০২১ ইং, নোংমাইজিং; নুংথিল পুং ২.২৪ ফাওবা মেরাগী ২৫নি পাল্লি, মতুং ২৬ নি পাল্লনি।**

মেষ: নিংবা মপা চাবা অমদি মরুপ-মপাংগী মতেং ফংবা য়াবদি ওইরোই। অদুবু য়েৎনরম্বদি কোকচগনি, পল্লম্বা থবক পাঙগনি অমদি শেল/লন ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি হিগোক।

বৃষ: হকচাং নুংঙাইরনি, মীয়াম্না চাল্লনি, মরুপ মপাংগী মতেংনা মীকোক থোংবা য়াবা নুমিৎনি। পুক্লিংদা চিংনবা খরা লৈরসু মীৱা লৌদ্রদি করিসু তৌরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফরনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

মিথুন: লাইবক ফবা, মীংচৎ ফংবা, লৈফম ফংজবা অমদি মীনা থাগৎপিবা নুমিৎনি। অদুবু শোকপা/হন্থবগা মুক্লবা য়াই-অনম তানগনু, ফিংগনু -শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাংবা।

কর্কট: অফবা ফমথোল ফংজবা অমদি অরং অরাক লেপশিনবা য়াবা নুমিৎনি। ঙাংবা-শকপা হৈগনি, থৌরম শিন লাংবসু হৈগনি অদুবু য়েৎনবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- শাওনদনবা খাঙবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

সিংহ: লাইবক ফগনি, নিংবা মপা চাগনি, মীয়ামগী মতেং লৌবা ঙসিসু য়াগনি অমদি নুংঙাইবা ফংগনি। থবক মফমদা চিংননিংঙাই ওই-মীতোপ থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

কন্যা: মীয়ামগী মতেং লৌবা য়াগনি, লাই-গুরুনা চানবীগনি অমদি মীরক্তা লৈনবা হোৎনৌ। অদুবু অনম তানবা, নকন্থি ফুদোকপদি মতাং চাদে-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নাপলনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাংবা।

তুলা: খোয়রাং খোয়শাওনবা অমদি মরুপ/নচা-ননাইগী লমদা য়েৎনবা খরা লৈরসু থবক পাঙগনি, লন চংগনি, অঙম্বনা চানগনি অমদি মীংচৎ ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক: নচা-ননাই অমদি লেঙদবা লন মাঙদনবা লৌশিং চাওবা মীগী ৱা তাশিল্লু। লাইবক ফবনা অনিংবদি পাঙগনি অমদি অফবা মরুপকী মতেং ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

ধনু: হরাওবা-নুংঙাইবা, মীয়াম লোয়নবা ফংজবা অমদি পাউ নুংঙাইবা তাবা লৈগনি। নিংহন্নদবনা লন থোইনা তানশিনবা ঙমগনি। খুৎ চাওবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি ৱাখলদা নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

মকর: কিদবা অমদি হনবা লৈতনা হোৎনবনা থবক পাঙগদবা নুমিৎনি। মরুপ মপাং লোয়নবা ফৈ অদুবু হেন্না আশা চাওবদি মাঙগনি। অরং অরাক চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

কুম্ভ: নিংজবা ফংগনি, লাইবক থোইনা ফগদবা নুমিৎনি, মীংচৎসু ফংগনি অমদি নচ্চ ননাই চাওখৎকনি। নচাক নরল কায়বদি মতাং চাদে। পংশিন্নৌ-ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

মিন: মীচং হেনগৎলনি, অরাপ্পদৈ কান্নবা ফংগনি অমদি পল্লম্বা শেল-থুম ফংবৈ নুংঙাইজগনি। লৈজবা লৌশিং ফুদোকউ-মদুনা থোইনা কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

**থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।**



## হুইয়েন জোক্স

- দাদ : চার্টর ফ্লাইট ছো প্লিজ!
- কদাইদা চৎতোইনো, হেল্লিকোপ্টর ওইনা পুখো।
  নো দাদ, সিষ্টরগী দেট লৈবমাল্লে, ছো পায়শিনখ্রে।
- ঐসু নঙ মম্মি লৌবা চৎকদবনি। বোইংদো ওইনা পুখ্রো, থাউ চেক তৌ...নঙ অমা !
- নহান্না রোকেট অমত্তা লৈসি হায়দি য়াদে।
- ৱাহ - ‘ফোর্থ ৱার্ল্ড কলচর’ - পেল্লেহে

---

মপা : মতম অমদদি শুপ্নগী লুপা ১০ খক্লা শঙ্গোম, এঞ্জাং- নাপী, থাউ থুম পুরকপা ঙল্লম্মী।
নাওবি : মতম অদুদি বাবা সী সী টি ভি কেমেরা পান্নরমখিরোই...!!

---

চাওতোন : অঙ্কল, প্রিন্টরদা শীজিন্ননবা চে খরা লৈগে।
দুকান মপু : এ ফোর ?
চাওতোন : এ ফোর এপল ! য়ারব্রা? খরা থুনা পীরক্লো অঙ্কল ...।

---

ওজা : চাক চারমদাই মতমদা খুৎশা শেংনা হামদোক্কদবনি।
মহৈরোয় : ওজা, ঐদি চাক চাবা লোইরগা ওইনা খুৎ হাম্মী।
ওজা : করিগী?
মহৈরোয় : মরমদি খুৎকী অমোৎপা অদু মোবাইলদা তৈদনবা ...!!

---


মপা : ইবুংঙো হন্দক্কী এগজামদা য়ামদ্রবদা মার্ক চাম্মদা ৮০ ফংগদবনিকো।
মচা : মার্ক চাম্মদা ৮০ নত্তে, চাম্মদা ৯৫ হেন্না পুরক্কনি।
মপা : করিগীনো ফাগি তৌরিদুবু?
মচা : কনানা হান্না ফাগি তৌবা হৌখিবগে...?

---

ওজা অমা হোটেলদা অহাংবা তেঙ্কোৎ অমদা তন কোৎলগা চারম্মী।
ৱেটর : ওজানা অহাংবা তেঙ্কোৎতগী কোৎলগা তন চারিবদু করিগীনো?
ওজা : ইবুংঙো ঐ মেঠমেটিক্স (অঙ্ক)গী ওজানি, অদুনা তেঙ্কোৎতা এঞ্জাং য়াওরে খল্লগা চারিবনি...!

---


☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা ড্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title : A Rose
By : Balaram Pukhrambam
Class : III Roll : 4
School : Arena of Learning



Title : A Tedybear
By : Athokpam Chingkheinganba Luwang
Class : Nursery Sec : H Roll : 9
School : Shining Bright Academy



Title : A Girl
By : Debhila Pebam
Class : VI Sec : B Roll : 14
School : Little Flower School



Title : Lotus
By : Google Soibam
Roll : KG
School : Alpha & Omega School, Porompat



Title : Living Wood
By : Henthoi Ningthoujam
Class : VII Roll : 9
School : Triveni Public School, Lilong



Title : Scenery
By : Kh. Aliya Chanu
Class : III Sec : A Roll : 2
School : Brighter School, Phoijing Nambol



Title : Circle Scenery
By : Loitongbam Mangal Meitei
Class : II Sec : A Roll : 7
School : Nawa Sindam Sang



Title : Hanuman
By : Loitongbam Satyazeet Singh
Class : VI Sec : B Roll : 17
School : The Evergreen Flowers School



Title : Scenery
By : Marson Meitei Thoudam
Class : II Roll : 51
School : Laisukol, Thoubal Achouba



Title : Circle Scenery
By : Irom Nongdamba
Class : II Sec : A Roll : 7
School : Kendriya Vidyalaya, Leimakhong



Title : Diwali Candle
By : Rajkumar Brentish Singh
Class : K.G. Roll : 7
School : Impetus School, Thinungei



Title : bt-21
By : Takhellambam Damini
Class : KG Sec : Lotus Roll : 4
School : Sl. Arena of Learning



Title : Carrot
By : Takhellambam Ranjita
Class : Pre-Nursery Roll : 14
School : Sl. Arena of Learning



Title : Pikachu
By : Th. Bidyasagar Meitei
Class : II Sec: A Roll : 30
School : Bethel English School, Nambol



Title : Pumpkin
By : Wahengbam Nongthanglembi Chanu
Class : Pre-Nursery
School : Keinou Thongkha Awang Leirak Anganwadi Centre



Title : Sunflower
By : Wahengbam Ningsingkhomba Meetei
Sec : LKG (B)
School : Loyola School Bishnupur

**অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।**